# চাইনানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী কারশিংদা লৌরম্বা তারিফ হন্থরগনি : দোনাল্ড ত্রম্প



ৱাশিংতন, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): চাইনাদা পুশিনবা য়ু এসকী কারশিংদা বৈজিংনা চাদা ৪০ গী তারিফ লৌরম্বদু হন্থরগনি অমসুং মতুংদা লৌথোকখ্রগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা অকুপ্পা মরোলদি পীদবীদা ট্বিটরদা লাউথোক্লিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা চাইনাগী মায়কৈদগী কম্মেন্ট পীরক্ত্রি। খোঙথাং অসি কনফার্ম তৌরবদি য়ু এস-চাইনা ট্রেদ ৱার কনখৎলকপদগী নে তাদ্রবা কার ইন্দষ্ট্রিনদি তরাম্না ওক্কনি। লল্লোন-ইতিক্কী হিরমদা কন্না মুক্নরকখিবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং সী জিনপিংনা হৌজিক মতম খরগী ওইনা ত্রুস অমা চৎনহনবদা য়ানখ্রে। জি-২০ সম্মিটকী দিন্নর অমদা মখোয়না নুমীৎ ৯০ নি ফাওবদি তারিফ হেনগৎহন্দবগী ৱাফম অমা য়ানখি। মদু নাকল অনীনা মখা তানা ৱারী শানবদা খুদোংচানবগীদমক্তনি। নাকল অনীনা দিল অমা পুরকপা ঙমদবা তারবদি দোল্লর বিলিয়ন ২০০ গী চাইনাগী পোৎচৈশিংগী তারিফ মথং চহী হৌরকপদা চাদা ১০ দগী চাদা ২৫ হেনগৎলক্কনি অমসুং মদুনা চাইনাগী অতৈ অহেনবা পোৎচৈশিংদসু তারিফস লৌরক্লবগী লম্বী ওইহনবা য়াই হায়রি।

চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা ফোঙদোকখিবদা, জি-২০ মীফমগী মতুং তারকপা ওইনা চাইনা অমসুং য়ু এসকী প্রসিদেন্টশিংনা মখোয়গী ইকনমিক টিমশিংদা তারিফ খুদিংমক লৌথোকখিনবগী মায়কৈদা থবক তৌনবা পাউতাক পীখ্রে। নাকল অনীনা লল্লোন-ইতিক্কী লান লেপ্পবা ত্রুস লাউথোকখিবদগী এসিয়াগী মার্কেটশিংগী ফীভম ফগৎলকপা উখি।

চাইনাদা হোং কোংগী হাং সেং ইন্দেদক্স চাদা ২.৬ হায়গৎখি। সাঙাই কম্পোজিট ইন্দেক্সনা চাদা ২.৬ চোংবা উখি। জপানগী নিক্কে ২২৫ ইন্দেক্সনা চাদা ১ কাখৎখি। য়ুরোপতসু লৈবাক অনীগী খোঙথাং অদুনা মরম ওইদুনা মার্কেটশিংগী ফীভম ফগৎখি। য়ু কেগী এফ টি এস ঈ ১০০ ইন্দেক্স, ফ্রান্সকী কাক ৪০ অমসুং জর্মনিগী দাক্স ইন্দেক্স পুম্নমক অঙনবগী ট্রেদতা চাদা ২ রোম হায়গৎলকপা উখি। ট্রেদ ৱার অদুদা য়ু এস অমসুং চাইনানা মখোয় মখোয়গী পোথোকশিং হেন্না পাম্নবগীদমক্তা তারিফ হেনগৎনদুনা অমগা অমগা চৈথেং পীননবা হোৎনখিবনি।

য়ু এসনা লৈবাক অসিগী তারিফ পোলিসী অদু চাইনানা ফজদবা ট্রেদ প্রেক্টিস খরা চথুরকপদগীনি হায়রি অমসুং বৈজিংবু ইন্টেলিকচ্যুঅল প্রোপর্টি হুবগী মরাল শিরি। হৌখিবা জুলাইদগী য়ু এসনা দোল্লর বিলিয়ন ২৫০ গী চাইনাগী পোৎচৈশিংদা অহেনবা তারিফ লৌখি। মদুগী লমন খুন্থা ওইনা চাইনানসু হায়রিবা মতম অসিদা দোল্লর বিলিয়ন ১১৩ গী য়ু এসকী পোৎচৈশিংদা দ্যুটি লৌখি। অনৌবা খোঙথাং অদুগী শরুক অমা ওইনা য়ু এসনা চাইনিজ কারশিংদা তারিফ চাদা ২৫ অমুক লাউথোকখি। মদু হান্না চাদা ২.৫ লৌরম্বগী মথক্তনি। অমরোমদা, মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা কারগী মার্কেট ওইরিবা চাইনানা লৈবাক অসিদা পুশিল্লকপা য়ু এসকী গাড়ীশিংদা তোঙানবা চাদা ৪০ গী তারিফ অমা লাউথোকখি।

# 'চহী লিশিং কয়ামুক্কী মনুংসিদা ক্লাইমেট চেঞ্জনা মীওইবদা খ্বাইদগী হেন্না অকিবা পোকহল্লি'



কাতোৱিটসে, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ক্লাইমেট চেঞ্জনা চহী লিশিং কয়ামুক্কী মনুংদা মীওইবদা খ্বাইদগী হেন্না অকিবা পোকহনবা ওইরি হায়না শক্লাইরবা নেচরেলিষ্ট দেভিদ এতেনবরোনা ফোঙদোকখ্রে।

শক্লাইরবা নেচর ব্রোদকাষ্টর অদুনা হায়, ক্লাইমেট চেঞ্জনা মালেমগী সিভিলাইজেসন থুপচিন্নবগী অমসুং মহৌশাগী ওইবা মালেমগী শরুক অয়াম্বা মুৎহনখিনবগী মরম ওইবা য়াই। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা স্পোন্সর তৌদুনা পোলেন্দগী কাতোৱিটসেদা পাঙথোকপা ক্লাইমেটকী ওইবা কনফরেন্স হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী লৈবাকশিংনা পেরিস এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনখিবদগী কাতোৱিটসেগী মীফম অসিনা ক্লাইমেট চেঞ্জগী মতাংদা খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবনি। সার দেভিদনা হায়খি, হৌজিক হৌজিকমক ঐখোয়না মালেমগী ওইবা চাংদা খুৎশেমগী ওইবা মাঙ-তাকপগী ফীভম অমা মায়োক্লরি। চহী লিশিং কয়ামুক্কী মনুংদা ঐখোয়না খ্বাইদগী হেন্না কিনিংঙাই ওইরিবসি ক্লাইমেট চেঞ্জনি। করিগুম্বা ঐখোয়না মতিক চাবা থবক পায়খৎতবা তারবদি ঐখোয়গী সিভিলাইজেসনশিং লোইশিনখিবা অমসুং মালেমগী মহৌশাগী ওইবা শরুক অয়াম্বা মুৎখিবা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। দেভিদ এতেনবরোনা কনফরেন্স অদুদা সী ও পি ২৪ হায়না খঙনবা পিপলস সিটকী মায়কৈদগী ৱা ঙাঙখি।

মহাক্না মীফম অদুগা পোলিসী মেকরশিংগা মীয়ামগগী মরক্তা লিঙ্ক অমা ওইনা থবক তৌগনি। 'মালেমগী মীয়াম্না হৌজিক মচিন কাঙথোক্নরক্লে। মখোয়গী পাউজেল য়াম্না শেংলে। মতম লৈরক্ত্রে মখোয়না হৌজিক ৱারেপ লৌবশিং ওইরিবা নখোয়না থবক পায়খৎলকপা পাল্লে।'

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুতেরেসনা হায়, ক্লাইমেট চেঞ্জ (অঙৈং-অশা হোংলকপা) হায়বসি চহী চা কয়া হিংবা অমসুং শিবগী ৱাফম অমা ওইদুনা লাক্লে। ক্লাইমেট চেঞ্জ থোকহনবদা চাউনা থৌদাং লৌখিবা লৈবাক কয়ানা হৌজিকসু মখোয়গী তৌফম থোকপশিং চপ চানা পাঙথোক্তনা লৈনরি। মালেম অসি হৌজিক লো-কার্বোন ইকনমিদা মায় ওনশিনফম থোকপদা মদুগী ফীভম য়ৌগদবদি য়াম্না ৱাৎলি হায়বা য়াই।

অদুম ওইনমক গুতেরেসনা কনফরেন্স অদু অচুম্বা মায়কৈদা থাঙলকপা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং মখা তাবা খোঙথাংশিং খন্ননবা মহাক্না মথং চহীদা ক্লাইমেট সম্মিট অমা কৌরগনি হায়না লাউথোকখি।

চৈরকসিদা, ক্লাইমেট চেঞ্জগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎলিবা লৈবাক-শিংবু মতেং পাংনবগীদমক ৱর্ল্ড বেঙ্কনা চহী মঙাগী ফন্দিং ওইগদবা দোল্লর বিলিয়ন ২০০ গী শেনফম অমা লাউথোকখ্রে।

# য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগা মথং চহীগী অঙনবদা উনরবা য়াই



ৱাশিংতন, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): মথং চহীগী অহানবা থা খরগী মনুংদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগা অনীশুবা মীফম অমা পাঙথোক্লবগী থৌরাং লৈরে হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা হায়, মথং চহী ২০১৯ গী ওল্লিঙৈ মতমদা নোর্থ কোরিয়ন লিদর কিম জোং উনগা মহাক্না অনীশুবা সম্মিট অমা পাঙথোক্লবা শিনবা য়াগনি হায়না মহাক্না থাজৈ। মদু জান্যুৱারি নৎত্রগা ফেব্রুৱারিদা তাবা য়াই। ত্রম্পনা পাউমীশিংদা হায়খি, সিঙ্গাপোরদা হৌখিবা জুনদা পাঙথোকখিবা মখোয়গী হিষ্টোরিক সম্মিট অদুগী মখা চথুরকপা ওইগদৌরিবা মীফম অদুগীদমক্তা মফম অহুম খন্নরি। মীফম অদু য়াম্না থুনা জান্যুৱারি, ফেব্রুৱারিদা হেক্তা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না ব্যুন্নস এইরিসতা জি-২০গী সম্মিট য়াওরুরবা ত্রম্পনা পাউমীশিংদা হায়খি।

অর্জেন্টিনাগী কেপিটেলদা ত্রম্পনা থাংজ নুমীৎতা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিনপিংগা লৈবাক অনীগী ওইবা মরীগী মতাংদা ৱারী শানখি। মখোয়না মরুওইনা লল্লোন-ইতিক্কী ৱাফমদা মীৎয়েং থমদুনা ৱারী শানখিবা ওইরবসু য়ু এসকী লুচিংবা অসিনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা সী অমসুং মহাক্না নোর্থ কোরিয়াগী মতাংদা চাদা ১০০ থবক তৌমিন্নবগী ৱাফম য়ানরে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মহাক্না থৌবু ওইদুনা নোর্থ কোরিয়াগী লিদর অদুগা ৱারী শানরকপা য়াবগী মওং লৈরক্কদ্রা হায়না হংবদা ত্রম্পনা হায়, মতম খরগী মনুংদা মদু লাক্কনি। পনবা য়াই, থা কয়ামুক অমনা অমবু মিলিটরিগী ওইবা অকিবা পোকহন্নখিবা মতুং হৌখিবা জুনদা ত্রম্প অমসুং কিমনা মায়-মায় ওনশিন্নদুনা ৱারী শানখি। লুচিংবা অনীনা কোরিয়ন পেনিনসুলাদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈহন্দনবগী দোক্যুমেন্ট অমা সাইন তৌনখি। অদুবু দোক্যুমেন্ট অদুগী মরোলশিংগী মতাংদা ৱাশিংতন অমসুং প্যোংয়াংগী মরক্তা য়ানদবা খরা লৈবদগী মদুগী মখা তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা য়াদনা লৈখি।

নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র অমসুং বেলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রাম থাদোক্লবগী মশক থোকপা খোঙথাং খরদি লৌখৎপা লৈখ্রে। হান্না য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোমপিওগা নোর্থ কোরিয়াগী তোপ ওফিসল অমগা নবেম্বরগী অঙনবা শরুক্তা উননবা থৌরাং তৌখ্রবসু প্যোংয়াংগী মায়কৈদগী ৱাশিংতননা অথিংবশিং কোমথোক্লবা কন্না তকশিনবদগী মীফম অদু খঙহৌদনা য়ৈথোকখি। ইরাই নুমীৎতা জি-২০ সম্মিটকী নাকোয়ননা ত্রম্পনা ৱাথোক অদুগী মতাংদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে ইনগা উনখি। মদুদা লুচিংবা অনীনা নোর্থ কোরিয়াবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায় মপুং ফানা থাদোকহন্নবগী পান্দম ফংনবা হোৎনমিন্নবগী ৱাফম নৌহৌননা য়ানখি। চৈরকসিদা ত্রম্পকা কিমগা অনীশুবা সম্মিট অমা পাঙথোকপগী ৱাফম সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুনগী ওফিসনা তরাম্না ওকখ্রে।

# নাইজিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বুহারিনা মশা শিখ্রে হায়বগী তোকঙা য়াখিদ্রে

অবুজা, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): নাইজিরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুহম্মদ বুহারিনা মহাক শিখ্রে অমসুং মহাকপু মশক মান্নবা অমনা মহুৎ শিল্লবনি হায়বা তোকঙা অমা য়াখিদ্রে। মীওইখরনা মহাক ক্লোনিং তৌরগা পুথোকখিবনি হায়না ফাওবা থাজনৈ, তৌইগুম্বসুং ঐহাক অশেংবনি হায়না নখোয়দা ঐহাক্না থাজবা পীরি হায়না বুহারিনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা ফোঙদোকখি। মহাক সুদানদগী জুব্রিল কৌবা মশক মান্নবা অমনা মহুৎ শিনখিবনি হায়বা তোকঙা অমা ওনলাইনদা পাক্তক্লমা শন্দোকখি।

মথং চহীগী ফেব্রুৱারিদা পাঙথোক্ক-দৌরিবা মীফমদা অমুক হন্না টর্ম অমগসু পৱার পায়নবা প্রসিদেন্টকী মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা মুহম্মদ বুহারি কুমজা ২০১৫ দা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী অনা-অয়েক তোয়না তৌদুনা লাকখি। মশাগী চহী ৭৬ শুরবা লুচিংবা অদু হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা মেদিকেল লিভতা য়ু কেদা থা ৩ লৈখি। নাইজিরিয়াদা হল্লক্লবা মতুং খরা লৈরগা মহাক্না মহাক অদুক য়াম্না কন্না মমাঙদা অমুক্তা নাখিদ্রি হায়খি। তৌইগুম্বসুং করি করম্বা লায়না নারিবনো হায়বদুদি মহাক্না ফোঙদোকখিদে। ন্যুজ এজেন্সী অমগী ফেক্ট চেক ইনভেষ্টিগেসন অমগী মতুংইন্না, তোকঙা অদু হৌখিবা চহীদা শন্দোরকপা হৌখি অমসুং ফেসবু ট্বিটর অমসুং য়ুট্যুবতা উনখি।

**ADVANCED COACHING INSTITUTE**

The largest, trusted & premier Coaching Institute , Imphal in both Sc. & Arts
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS road, Opposite to Koirengei auto parking

SPECIAL MEDICAL AND ENGINEERING COURSE (25 students per batches)



2018 COHSEM SCIENCE TOPPERS
3rd position Y. devaiit
9th position P. Badai
9th position Konica N.
10th position Korounganba
10th position L. Imoba
15th position H. Arbin
17th position Sh. Bikish

2018 COHSEM ARTS TOPPER
2nd position T. Sunaina
3rd position Y. Gunchenba
5th position T. James
5th position Lovangmaba
7th position K. Obed
8th position T. Oresh

BOSEM 2018 TOPPER
Rajeshori 11th position
Md. Hanif 24th position
Asma M. 17th position

Office No. 9862992105

SEPERATE CBSE, COHSEM & BOSEM BATCHES

TIME SCHEDULES
1. 5.00-8.30 A.M
2. 11.00-4.00 P.M
3. 3.00-7.30 P.M
4. 4.40-7.40 P.M

SPECIAL CONCESSION
50% off in revision course ( for ex-ACIAN students)
Rs 2,000/- off in revision course for Govt. students
Rs 4,000/-off in foundation course for Govt. students

FACILITIES
Separate boys' & girls' hostel, van services–morning & evening Available

REVISION COURSE STARTS FROM
Foundation Courses for VI to XII (2019 batches) start - 8th & 14th Dec.

| Class | X (BOSEM) | X (CBSE) | XII (ARTS) | XII (CBSE) | XII (SCIENCE) |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| Date | 6th & 10th Dec. | 5th & 10th Dec. | 6th & 10th Dec. | 6th & 10th Dec. | 6th & 10th Dec. |

HL-B/5031/26/11-26/1(Alt.)

# ওপেককী থাউ পুথোকপা লৈবাকশিংগী কার্টেলদগী কটর তোল্লগনি

দোহা, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): কটরনা লৈবাক অসি ওপেককী থাউ পুথোক্লিবশিংগী কার্টেলদগী তোল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। গ্রুপ অসিনা ভিয়েনাদা মীফম পাঙথোক্কদবা কুইরক্ত্রবা মতম অসিদা কটরনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

কুমজা ১৯৬১ দা ওপেক্তা য়াওখিবা গল্ফকী ষ্টেট অদুনা হায়, লৈবাক অদুনা কার্টেল অদু থাদোক্কদৌরিবদু মথংগী জান্যুৱারি থাদা ওইগনি অমসুং গ্রুপ অদুদগী তোল্লগা গ্যাস পুথোকপদা ওইনা মীৎয়েং চঙলগনি। লিকিফাইদ নেচরেল গ্যাস খ্বাইদগী হেন্না থাদোকপা লৈবাক ওইরিবা কটরবু টেররিজম ফন্দিং তৌবগী মরাল শিরদুনা য়ুল্লোন্নবা অরব লৈবাক খরনা বোয়কোট তৌরকখি। চয়োল অসিগী মীফমদা ওপেকনা থাউগী সপ্লাইগী চাং ককথরবা য়াই হায়রি।

কটরগী ৱারেপ অদুগী মতাংদা পল্লদুনা এনর্জি মিনিষ্টর সাদ অল কাবিনা হায়, ঐখোয়দা থাউগী পোটেন্সল চাউনা লৈতে, মসি অচুম্বা ৱাফমনি। ঐখোয়গী পোটেন্সলদি গ্যাসনি। জিওপোলিটিক্সনা মরম ওইদুনা ৱারেপ অদু লৌরকপা নত্তে।


টেররিজম শৌগৎলি হায়না মরাল শিরদুনা কটরবু মতিক ময়াই লৈরবা য়ুল্লোন্নবা অরব লৈবাকশিংনা মরুওইনা সাউদি অরাবিয়ানা শোক্লা শম্নদনা লাকখি। গল্ফকী থাউ পুথোকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না খন্নরবসু অপীকপা লৈবাক ওইবনা কটরনা ওপেকতগী তোকখিবা মতমদা থাউগী মমলদা তুং কোয়না চৈথেং পীগনি হায়বগী থাজনবা লৈতে। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা নবেম্বরদা থাউগী মমল শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থখ্রবা মতুংদা থাউ পুথোকপগী চাং ককথবগী মতাংদা য়ানবা অমা পুরক্কদ্রা হায়না চয়োল অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওপেককী মীফম অসিবু মার্কেটশিংনা কুপ্না য়েংশিনগদৌরি। কটর অসি কার্টেল অদুদা য়াওবা থাউ পুথোকপগী চাং খ্বাইদগী নেম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। লৈবাক অসিনা পুথোক্লিবা থাউগী চাং অদু গ্রুপ অদুনা পুথোক্লিবা থাউ অপুম্বগী চাদা ২ ফাওবা য়ৌদে।

কটরগী এনর্জি মিনিষ্টরনা ৱারেপ অদু পোলিটিকেল ওইবা ৱারেপ নত্তে হায়জরবসু লৈবাক অদুনা ওপেকতা চহী ৫৭ লৈরক্লবা মতুংদা ক্লব অদুদগী তোক্কদৌরিবসি কটরগা গল্ফকী অতৈ অরব লৈবাকশিংগী মরী হেন্না ফৎচিল্লক্ত্রে হায়বগী ইঙ্গিৎ ওইবা য়াই।

# ইজিপ্টনা পুলিসপু মরাল শিয়ু য়াদ্রি

রোম/কাইরো, দিসেম্বর ০৩ (এজেন্সী): ইটালিয়ন মহৈরোয় অমা হাৎপদা চেন্নরমগনি হায়না ইটালিনা চিংনরিবা পুলিস ওফিসরশিংবু মরাল শিনবা হায়বদা ইজিপ্টনা য়াখিদ্রে। ইজিপ্টকী পুলিসমেনশিংবু গিয়ুলিও রেজেনি কৌবা মহৈরোয় অদুগী মরমদা ঈ-পাউ খোমখি হায়না ইটালিগী প্রোসিক্যুটরশিংনা চিংনরি হায়না জুদিসল ছোর্স অমনা ন্যুজ এজেন্সী অমদা হায়খি। মখা তারদুনা ছোর্স অদুনা হায়, ইটালিয়ন প্রোসিক্যুটরশিংনা ইজিপ্টকী মখোয়গী লেংমান্নবশিংদা ইজিপসন পুলিসমেন কয়া সস্পেক্টশিংগী লিষ্টতা য়াওহন্নবা তকশিনখি।

/দশা য়েংজরি



মখাগী হিরমশিং অসিদা কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়েংজরি লোয়ননা ফনবা তানবিয়ু। অঙাংগী মহৈ-মশিং, দশা-লাংফম, পক্লবা থবক, লাইরিক পানিংদবা, ঙাংনবা ঙমদবা, নিশাদা লাইচুবা, মোবাইলদা উংবা, শুফম-নোমফম খঙদবা, দাউ য়াদবা, শেল তুঙদবা, চানবা করবার, পক্লবা লক্কিষ্টোন, প্রমোসন, ভোট লেপ্পা, লমগী কেশ থেংনবা, য়ুম-ইঙ্খোল, গাড়ী, য়ুম্বাল মহী লাংবা, লুহোংবা থিন্থবা, অঙাং ওইবা ঙমদবা, মীনা কল্লক-য়েংথিবা, হকচাং অনাবনা য়েৎপা, পোৎশম-যাদু লৈবা, ঙাওরি-ফৈরি তৌবা, অসিনচিংবা। মতম অয়ুক পুং ৭ তগী ১২.৩০ ফাওবা লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

*মীয়ামগী:* জ্যোতিষ মহাধাষি
**JM Dr Ph. Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai,
Academy Road, Imphal

HL-P/5763/12/3-1Jan.

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL-795003
Manipur, India

ADMISSION NOTICE
Dated, the 3rd December, 2018

No.MU/3-CESD/PGDEFT/Adm/Aca/16:/1601 In continuation of the Admission Notice No. 551 dated 22nd November, 2018 for admission into One Year Post Graduate Diploma in Entrepreneurship and Foreign Trade (PGDEFT) the process for admission has been extended as follow:

1. Last date of issue and submission of the prescribed admission form upto 10 December, 2018.
2. Written test/Personal Interview and or counseling shall be held on 13 December, 2018.

Sd/-
S. Buddhabati Devi
Assistant Registrar i/c

HL-B/5043/4

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

NOTICE
Dated, the 03rd December, 2018

**No.MU/5-116/09/FCY:**/595 It is hereby notified that 3(three) Guest Lecturer on contract basis will be appointed initially for a period of 6(six) months in the Department of Chemistry through **walk-in interview**:

**Essential Qualifications:**

As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

**Specialization:-** a) one organic, b) one Inorganic and c) one Physical Science.

**Honorarium:** Rs. 500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 21,600/- (Twenty-one thousand six hundred) only per month.

**Date of Interview:** - 11/12/2018 at 01:30:00 p.m.

**Place of Interview:** - Office of the Dean, School of Mathematical and Physical Sciences, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Dean, School of Mathematical and Physical Sciences, Manipur University, Canchipur – 795003 between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

*Sd/- David K. Zote*
*Registrar i/c*

HL-B/5042/4

**CAS REVISION**
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

ADMISSION OPEN
REVISION COURSE
CLASS XII & X

SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. orninted test series for final exam
3. Probable questions and answers for 2019 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2019 final exam.



8th Position — LANCHENBA OINAM, HSLC Exam 2018, 94% (Man.E.M.Sc.,S.Sc.Hn)
19th Position — DEEPAK OINAM, HSLC Exam 2018, 92% (Man.E.M.Sc.,S.Sc.Hn)
ROHIT KHUMUKCHAM, HSLC Exam 2018, 75.8% (Man. M. Sc.)
MAIBAM STEPHEN, HSLC Exam 2018, 74.5% (Man. M)
LUNGINMANG HAOKIP, HSLC Exam 2018, 72.6% (MIL. E)

Classes for Revision Course starts from 22nd Nov. 2018
Seats are limited First come First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-B/4983/13/11-12/12

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/4970/13/11-9/12